## ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পুন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পুন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.646722 |
| US Dollar | 83.436586 |
| British Pound | 105.829112 |
| Australian Dollar | 55.631964 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.474766 |
| Japanese Yen | 0.517081 |
| Malaysian Ringgit | 17.678765 |
| Singapore Dollar | 61.507649 |
| South Korean Won | 0.060211 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.249756 |
| Thai Baht | 2.267349 |

### GAS NEWS

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f-18-04-24
**B/upto - 19-04-24**
**Stock-306**
7am to 10am
First Come First Serve
**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPTO -17/04/2024**
ONLY HOME DELIVERY
TIME- 8AM TO 11AM
OFFICE PHONE NO.
9774031231/8414967694
**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO 28/04/24**
VALID FROM 20/04/24
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NO.
8259939561/9089709738
OFFICE TIMMING 9:AM TO 3PM WILL BE DELIVERY FOR THREE DAYS
**KHORIPHABA NAMBOL**
**BK.upto 19-05-24**
Valid from SL.no2451
Home delivery- 8787630782, 7005239445
**M/S R&HINDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 18/03/2024**
Valid frm15/03/24
Miss call booking no.8454955555 registration no.
Office contact no.7353320254
Call Timing 9am to 12pm
Sunday Closed
**Stock 324 nos.**
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-09-04-2024,**
VALID FROM 06-04-2024,
**STOCK: 324,HOME**
DELIVERY ONLY. (DELIVERY WITHIN 4 DAYS) CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**Imphal LPG service**
(Home Delivery only)
**Booking - 2Delivery06/05/24 to 10/05/24**
Office Contact No.9362654114.
Time 8:30 am to 12:30 pm.
Available 19kg,10kg and 5kg.
URIPOK, LAMSHANG Delivery Boy- Guna Ph.no: 6009936192
KEISHAMTHONG, SINGJAMEI Delivery Boy- Aboy Ph.no: 8414050561
KWAKEITHEL, MALOM Delivery Boy- Chittaranjan ph.no-8575769887
KEISHAMPAT Delivery Boy- Anand ph.no:9089364355
NAGAMAPAL, THANGMEIBAND, CHINGMEIRONG Delivery Boy-Sagar ph.no:8798303493
WANGKHEI, KHURAI, SAMUROU Delivery Boy-Bringkingson ph.no:7629857123
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK, TERA, PATSOI Delivery! Boy-Somorjit ph.no:7005316328
WAHENGBAM LEIKAI, SALAM LEIKAI Delivery Boy-Jiten ph.no:9856506500

### HL Poll

Q : Lok Sabhagi meephamda Narendra Modina Manipurgi matangda wapham amata pankhidabana Lan loisinnaba hotnarakani thajabra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Union leingakna Manipurgi karimata touraktrabadi MP Dr. Bimol Akoijamna akanba pressure pirakkani haibada langadra?

Yes 40% No 60%

### অস! লোইরেহে!

- নুংঙাইরে, নুংঙাইরে!



- গ্যাস ফংদ্রে, মৈসু লাক্তে, ঈশিংসু চঁউরে, লা লা লা!

## মোদিনা মণিপুর পল্লমদনা লোক সভা সাইনে দাই ...

*লমায় ১গী মখা...* প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মোসন ওফ থেঙ্কসকী দিস্কসনদা মেম্বরশিংনা ফোঙদোক্লরকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীবা হৌগৎলকপদা ওপোজিসনগী মায়কৈদ্দগী মরু ওইনা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা ‘রি ৱান্ট জষ্টিস ফোর মণিপুর’ অমসুং ‘ঝুথ বোলে কাওৱা কাটে’ হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোল্লাওশিং লাউশিল্লকপদগী লোকসভাদা পুমনিল নিনখি। নাকল্ল অমরোমদনা, ৱল্লিংগী মায়কৈদ্দগীনা এন দি এগী মেম্বরশিংনা ‘মোদি মোদি’ হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা পুং ২ হেন্না মহাক্কী পাউখুম ৱারোল সভাদা থল্লবসু মণিপুরগী মতাংদা ৱাহৈ অমত্তা পল্লক্তবদগী অসামদগী কারকখিবা কোংগ্রেস এম পি গৌরব গোগোয়না মণিপুরগী ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম অমসুং অলফ্রেদ কানঙম এস অর্থরগা লোয়ননা সভাগী ৱেল তন্না থোমজিল্লকখি। কোংগ্রেস এম পি অহুম্না হাউসকী ৱেল তন্না চঙশিল্লকপদা তোঙান তোঙানবা কোংগ্রেস এম পিশিংসু মতুং ইন্নরকখি। অদুম ওইনমক আই এন দি আই এ ব্লোককী মপাং পার্টি অমা ওইরিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পিশিংদি সভাদা মেম্বরশিংনা ফম্নবা থারিবা ফম্ফম কাগুপ অনীগী মরক্তা লেপ্তুনা ৱেল তন্না থোমজিল্লকখিবা কোংগ্রেস এম পিশিংবু সপোর্ট তৌখি। ফীভম অসিদা সভাগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইখিবা স্পিকর ওম বিরলানা ওপোজিসন এম পিশিংবু ‘রি ৱান্ট জষ্টিস ফোর মণিপুর’ হায়বা খোল্লাওশিং লাউহনবদা নত্তনা হাউসকী ৱেল তন্না চঙহল্লকই হায়বগীদমক লোক সভাগী ওপোজিসন লিদর রাহুল গান্ধীদা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২৪দগী হৌরল্লিবা লোক সভা মীফমগী মনুংদা ওপোজিসনগী মায়কৈদ্দগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী ৱারোল পীরকপদা অয়েৎ অপন পীখি হায়রদুনা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিদি পার্লিয়ামেন্টকী চৎন-কাঙলোনশিংবু মচেৎ তানা মাঙহনবনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী শাংলবা ৱাফম ফোঙদোক্লবা মতুংদা হন্দক্কী মীফম অসিদা নরেন্দ্র মোদিনা প্রসিদেন্টগী এদ্রেসপু থাগৎপা ফোঙদোকপগী মোসন ওফ থেঙ্কস খন্নরকপদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী পার্লিয়ামেন্টকী পরম থুগাইনবা হোৎনখি হায়রদুনা কন্দেম তৌবগী রিজোলুসন অমা হাউসনা পাস তৌনবা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা পুখৎলকখি। অদুগা মোসন অসিমক হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু সপোর্ট তৌরকখিবদগী লোক সভানা ভোইস ভোটতা পাস তৌখি।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী মোসন ওফ থেঙ্কসকা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা হৌরকপদা ওপোজিসন মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী মণিপুরগী এম পি অমবু ৱা ঙাঙহনবীনবা স্পিকরদা তকশিল্লকখি। মসিগী পাউখুম ওইনা স্পিকর ওম বিরলানা মণিপুরগী এম পি অমদা মাঙজৌননা ৱা ঙাঙবগী খুদোংচাবা পীখ্রে হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক ওপোজিসনগী মায়কৈদগী মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী লান অসিগী মতাংদা এন দি এ লৈঙাক্কী মায়কৈদগী প্রাইম মিনিষ্টরগা তং তাবা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লবা ঙরাংদগী হৌনা তকশিল্লকখ্রবসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অমত্তা পল্লমখিদে।

পনবা য়াবদি, ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরনা সভাদা মহাক্কী ৱারোল থল্লবা মতুংদা স্পিকরনা সভা অসিবু সাইনে দাই এদজোর্ন তৌখ্রবসু রাজ্য সভাদি হান্না লেপখিবা মতুংইন্না হয়েং অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবদমক এদজোর্ন তৌখিবনা মখা তানা সভা অসিদা প্রসিদেন্টনা পীখিবা এদ্রেসকী মোসন ওফ থেঙ্কস খন্নখিগনি হায়রি।

## রাহুল গান্ধীনা লোক সভাদা ঙাঙখিবা ৱাফমশিং...

*লমায় ১গী মখা...* মরম অসিনা মহাক্লা ঙরাং হাউসতা মোসন অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মনুংদগী অয়ান্বা শরুক লৌথোক্লে হায়বা তাবদা নুংঙাইতবা পোকই হায়রদুনা হাউস অসিগী মেম্বর পুন্নমক্না ফ্রীদম ওফ স্পিচকী হক লৈ অমসুং মীয়ামগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং পুখৎপগী রাইটসু লৈ হায়খি।

মহাক্কী চেরোল অদুনা ঙসি লোক সভাদা পাঙথোকখিবা চুমথোক্ত্রিবা দিবেটশিংগী মরী লৈনবা শরুক খরসু চেরোল অদুগা লোয়ননা এনক্লোস তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্লা ঙরাং ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদগী খরবু লৌথোকখিবা অদুমক্তি লোক সভাগী অকক্লবা বিজিনেস অসিগী রুল ৩৮০না পীবা পৱারনা কোনশিন্দে হায়খি।

মহাক্লা ঙরাং হাউসতা থমখিবা ৱাফমশিং অদু অচুম্বা অমসুং অশেংবা ৱাফমশিংনি হায়রদুনা লোক সভাগী প্রোসিদিংদা য়াওহনগদবনি হায়খি।

## ইবোমচা হাৎখিবগী মায়োক্তা থৌবাল...

*লমায় ১গী মখা...* হায়ন লাউথোকখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোকপীয়ু হায়না জে এ সীনা খাঙবোককী তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং অমদি য়াল্লবা মৈরা পায়বীশিংগা খূৎশম্নদুনা ঙসি নুংথিল খাঙবোক ন্যু মার্কেটতা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

মীফম অসিদা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না জে এ সীগী কো কনভিনর খুন্দ্রাকপম নবচন্দ্রনা হায়, অহানবা ৱারেপ্তা মশানা মশাবু লালহৌলূপ অমগী মীওইশিংনি হায়জবশিংনা লৈখিদ্রবা ইবোমচাবু ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা হাৎতোকপীরল্লিবা অসি করি মরমগীনো হায়বদু পার্টিনা অথুবা মতমদা শেংদোক্তবনি হায়রদুনা করিগুম্বা শেংদোরক্তবদি খাঙবোককী ক্লব/ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনা পার্টি অসিবু বোইকোট তৌবগী ৱারেপ লৌরে হায়রি।

অনীশুবা ৱারেপ্তুনা জে এ সীনা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা নুমিৎ হুমনিগী মতম থাখ্রবা ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তবনা হয়েং অয়ূক্তগী হৌরদুনা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা অহুমশুবা ৱারেপ্তুনা জে এ সীনা চঙশিনগদৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা লালহৌলূপ অদুগী মায়কৈদগী অমদি মরী লৈনবশিংনা পাউখুম অমত্তা পীরক্ত্রবদি লৈখিদ্রবা ইবোমচাবু ফাদুনা থল্লল্লিবা কদাংবন্দদা লৈবা পার্টি অদুগী কেম্পতা খাঙবোক্কী অপূনবা মৈরা পায়বী/ক্লব/মীয়াম চৎতুনা ৱারী শানরুনবা অমদি লংলা লংজিন ফংদ্রিবা ফাওবা হকচাং লৌদবা হায়নসু ৱারেপ্লরে হায়রি।

মরম অসিনা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মীয়াম্না সপোর্ট তৌবীয়ু। পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা দিমান্দ তৌরগা মী হাৎপগী থৌওং অসি মীয়াম্নসু কন্দেম তৌবীয়ু। শেলগী দিমান্দগীদমক মী হাৎপা হায়বসি পার্টিগী করম্বা কাঙলোনদা য়াওবা লোনো হায়নসু হংখি।

পনবা য়াবদি, খাঙবোক অৱাং লৈকায়দগী টি ঐচ ইবোমচা (৬৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ অমুম্না সাস্ত্রি মমাঙ থাগী ১৮দা ফাদুনা পুখ্রবা মতুং থা অদুগী ২৯গী অয়ূক অঙনবা পুং ৩ রোম তারকপদা লিলোং চজিংগী লৈশাং হিদেনগী মফম অমদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবনি।

## ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা চঙশিল্লক্লগা ...

*লমায় ১গী মখা...* পীশিনখিবনি। তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিং মরু ওইনা ম্যান্মার, বাংলাদেশ অমদি নেপালদগী ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং লাক্লগা মণিপুরদা খুন্দাশিল্লকপদগী খুল মশীং অদুক্কী মতিক হেনগৎলকপগা লোয়ননা মণিপুরগী দেমোগ্রাফিদা অচৌবা শাফূ পীরে। হায়রিবা খুলশিং অসি লৈঙাক্লসু খঙহৌদনা অমদি য়েংহৌদনা রিকগনিসন পীথোক্লম্বসু য়াওরে। মরম অসিনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং খন্দোক্লবা মেমোরেন্দম পীশিনবনি হায়খি।

গভর্ণরগী মায়কৈদগীসু মেমোরেন্দম অদু হয়েংমক থারগনি হায়বগী থাজবা পীরকপগা লোয়ননা মণিপুরগী ইস্যুগী মতাংদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর য়াওনা লুচিংবা কয়াগসু উনখ্রে। মহাক্কী মায়কৈদগীসু মণিপুরদা এন আর সী চৎনহন্দুনা ইস্যু অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবগীদমক তকশিন্দুনা লাক্লি অমসুং অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

য়ু এন সীগী জেনরেল সেক্রেটরি ভারেয়ো সটসাংনা হায়, ঙসি য়ু এন সীনা কোকোমিগা পূল্লগা এন আর সী চৎনহন্নবা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা তকশিনবনি। গভর্ণরগী মায়কৈদগীসু অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রদুনা য়ু এন সী অমসুং কোকোমি মখা তানা কম্মন ওইবা এজেন্দাশিংদা অদুমক চৎমিন্নগনি হায়বগী ৱাখল তামিন্নদুনা লৈরি হায়খি।

অমরোমদা, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কোকোমিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়, য়ু এন সী অমদি কোকোমি য়েলহৌমীশিংগী থবক থৌরমদা পূন্না চৎমিন্ননবগীদমক মীফম কয়া পাঙথোকখ্রে অমসুং চৎমিন্নদুনসু লাক্লি। মসিগী মথক্তা লূপ অনীসি পূন্না প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরদা হান্নসু মণিপুরদা এন আর সী চৎনহন্দুনা ইম্মিগ্রেন্টশিং খন্দোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। মখোয়সু এন আর সী চৎনহনগনি হায়বগী থাজবা পীদুনা লাক্লিবনি হায়খি।

## নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী ইম্ফাল...

*লমায় ১গী মখা...* থুম্বুথোংনচিংবা য়াওখি।

খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চল্লিবা য়ুম্নাম পাৎলৌ অমসুং পুখাওনচিংবদসু লম্বী খক্তা নত্তনা য়ুম কয়াসু ঈশিংনা থুমজিনখি। দোলাইথাবী দামগী গেট তরুক্কী মনুংদা গেট অমা হাংখি। থৌবাল দামগীনা গেট অমখক হাঙখি। অদুবু ঈথাই বরাজগী গেট তরুক্কী মনুংদা গেট নম্বর টু, থ্রী অমসুং ফোর হাঙখি। ইম্ফাল বরাজগীনা গেট মঙা লৈবদা লোইনমক হাঙদোক্তুনা ইম্ফাল মনুংদা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লবদগী খরা শাফনবা থৌরাং লৌখৎখি।

অমরোমদা ঙসিগী ওইনা চুখিবা নোংজুগী চাংনা কাংপোকপীদা এম এম-৩১, সাইকুলদা এম এম ১৪, লিটানদা এম এম ১২, লম্ফেলদা এম এম ৪, জিরিবামদা এম এম ৩৪ অমসুং রাজ ভবনদা এম এম ৩গী চাং য়ৌনা নোং চুখি হায়নসু ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টতগী ফংবা পাউনা হায়রি।

ঈশিং ঈচাও অমুক হন্না মায়োক্লরকপদগী লোয়শঙ অসিগী ষ্টোর পায়রিবা এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র অমনা ফোঙদোরকপদা মীয়াম্না মথৌ তাগদবা চতাই, ৱা অমদি সিমেন্টগী অহাঙবা বোরানচিংবা শোর্টেজ লৈরে হায়রি। অদুগা লোয়শঙ অসিগী কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাং পুং ৮ ফাওবদা ফংখিবা তুরেল ঈমাইশিংগী ফীভমনা মিনুথোংগী ওইনা ৱার্নিং লেভেলদা ৭৮৫,৯০০ এম এমনি অদুগা ইম্ফাল তুরেল অসি ফ্লদ লেভেলদগী ৱাংখৎনা চেল্লে হায়রি।

তুরেল অসিগা লোয়ননা লিলোং অমসুং নম্বুলগীসু ৱার্নিং লেভেলগী মথক্তা চেনখি।

অমরোমদা, ঙসি নোংমা নীনিগী মমাঙদগী লেপ্তুনা নোং চুরক্তুনা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলকপা অমসুং চীংগী শরুকশিংদা কিল্ভবা অমদি লৈখোম-লৈনাং চেন্থরকপগী থৌদোকশিং থোরকপদগী ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তারকপদা এন ঐচ-২ পরিংগী সেনাপতিগী দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ওফিস অমদি ভাগো খুল অনীগী মরক্তা চীং নীংখাইরকপদগী লৈখোম-লৈনাংনা ডাক্তর অমা চেন্থদুনা তুরেলদা তাশিনবদগী লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা ডাক্তর অদুগী মমিং এ সৈসৌ (২৫) অপোকপা এস অপাও কৌই, সেনাপতি পি এসকী মনুং চনবা কাবুং কারোং খুলদগীনি। মহাক চাইনাদা দেন্টেল সর্জন তন্নুবা লোইবদা ঙাইরিবনি হায়রি।

মহাক্লা তোংদুনা লাকপা ইকো ভেন অমা থৌদোক থোকফমদা লৈখোম লৈনাংনা চৎপা য়াদদুনা লৈরকপদগী মহাক্লা কুমথদুনা য়েংলুবদা চীংমাইরোমদগী চেন্থরকখিবা লৈখোম লৈনাংনা মহাকপু চেন্থখিদুনা সেনাপতি তুরেলদা তাশিনখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ ফংবদগী মহাক্কী খোঙ্গুল লীরুবদা ঙসি অয়ূক পুং ৮ লোম তাবদা শিনা ফংখিবনি। মহাক্কী হকচাং রেদ ক্রোস সোসাইটি অমসুং খুলগী মীওইশিংনা লৌখৎলকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদসু সেনাপতি পি এসকী মনুং চনবা ওল্ড সন্দে মার্কেট আইরন ব্রিদজদগী সেনাপতি তুরেলদা তাশিনখিবা নহা অমগীদি হৌজিক ফাওবা মফম খঙদ্রি। মহাক্কী মমিং হাইলুংবা মার্টিন (১৭) অপোকপা রাইলুন কৌই, সেনাপতিগী ৱিংলিং খুলদগীনি হায়রি।

মহাকপু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী রেদ ক্রোস সোসাইটি অমসুং পুলিসনা খুঞ্জাশিংগা খূৎশম্নদুনা থিবগী থবক চত্থরি।

## কুকি টেররিষ্টশিংনা থম্নাপোকপীদা...

*লমায় ১গী মখা...* অনীশুবা থৌদোক অসিদদি খুল ঙাকপা অমনা উপ্লিবা হেদগ্যরদা নোংমৈ মরূ অমনা পানখি অদুবু অশোক অপনদি য়াওহৌদ্রে হায়রি।

কুকি টেররিষ্টশিংনা অনীরক হন্না এটেক চত্থরকখ্রবসু খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদ্দগীদি নোংমৈ মরূ অমত্তা হন্দুনা কাপখিদে। অদুম ওইনমক অনকপদা লৈবা বি এস এফকী পর্সনেল খরনদি নোংমৈ মরূ খরা কাপখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদা জাট রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংসু চঙশিল্লক্তুনা খুল ঙাকপশিংনা নোংমৈ কাপখিদ্রা হায়না হংলখি হায়রি।

## ছুটি : লৈঙাক্কী লোয়শঙ খরা ...

*লমায় ১গী মখা...* পৱার, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, পি ঐচ ঈ, ৱাটর রিছোর্সেস, পি দব্লিয়ু দি, জি এ দি, সী এ এফ এন্দ পি দি, এম আই, ফোরেষ্ট অমসুং এল দি এনচিংবা লোয়শঙশিংদি মহৌশাগুম থবক তৌগনি। মসিগী মথক্তা অতোপ্পা লোয়শঙশিংগী ওফিসর/এমপ্লোয়ী পুন্নমক্লসু অথু-অকায় লাকপদা টেলিফোনদা ফংহনগদবনি হায়রি। মসিগী মতাংদা ঙসি জি এ দিগী মায়কৈদগী ওর্দর অমা থোকখ্রে।

অমরোমদা, স্কুল এদ্যুকেসন দিরেক্টরনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমদা ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লরকপগা লোয়ননা ফীভম অসি নুমিৎ খরনিদসু অহোংবা লৈরোইদবগী ফীভম লাকপদগী মণিপুর লৈঙাক্কী য়াওনা গভর্ণমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমদি সেন্ট্রেল স্কুলশিং হয়েং অমসুং হংচিৎ ছুটি ওইরগনি হায়রি।

## ঈশিং ঈচাও : কন্ট্রোল ...

*লমায় ১গী মখা...* কাংপোকপী কন্ট্রোল রুম-৮১৩২০৬৮৬২২/৬০০৯০৪৮৮০৫, ফেরজোল কন্ট্রোল রুম-৭০০৫১৩২৬৩৩, তমেংলোং কন্ট্রোল রুম- ৯৪০২৮১৬৫৯৪, জিরিবাম কন্ট্রোল রুম- ৮৭৯৪৮৫৪১৬৭, উখ্রুল কন্ট্রোল রুম-৮৭৩০৮৯০৩৯২/৯৬১২৪৮৪৫১৪, থৌবাল কন্ট্রোল রুম-৯৮৬২২৯৯২৯০/৭০৮৫১৬৫২১৬, কামজোং কন্ট্রোল রুম-৯৩৬৬৩৪৩১৩৩, তেংনৌপল কন্ট্রোল রুম- ৯৩৬৬৫৫৬৩৭৩, ককচীং কন্ট্রোল রুম- ৬৯০৯১৫৯৮১৯, নোনে কন্ট্রোল রুম-৮১৩০১৩৩৭১৭নি হায়রি।

কন্ট্রোল রুম অসি ২৪x৭ মথৌ তৌদুনা অথু-অকায়গী থৌদোকশিং থোরকপদা অঙন্বা মতেং পাংনবা হোৎনগনি হায়রি।

## কুকিগী থোংগী ৱাথোক : ...

*লমায় ১গী মখা...* চন্না রজিব ক্ষেত্রিনা হায়, তুরেল খোংনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা মখল অমত্তগী কন্সত্রক্সন তৌবা য়ারোই হায়বসি মণিপুর হায় কোর্টনসু ৱায়েল পীখিবা লৈখ্রে। অসিগুম্বা ৱায়েল অমসু লৈরিঙৈদা কুকিশিংনা কোর্টকী ৱাফম থৌওইদবগী মথক্তা লৈঙাক্লা অথিংবা থল্লবসু থৌশাদনা লেপ্তুনা থোং শাগৎলকপা হায়বসি লাইবক থীবনি। থোং অসি শাগৎপগী থবক থিংলিবনি হায়দুনা থোংখোঙ ফাওবা চৎলুরগা থুগায়বগী মহুত্তা ফোটো নল্লগা হঞ্জিন-হঞ্জিন হল্লকখিবা ষ্টেট ফোর্স অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী থৌওংবুসু য়ানীংদে হায়খি।

কুকি রিফ্যুজিশিংনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা তৌনীং-তৌনীংবদা থিংদবা, ইয়াদা য়ারবদৌনা তৌবা লৈঙাক্কী থৌওং লংসাই থৌনা অমসুং মীয়াম্না য়াবা ঙল্লোই। থোং শাবা থিংনবগীদমক চঙখিবা সিক্যুরিটি অমদি ওফিসলশিং করিসু তৌবা ঙমদনা খূৎ হামদুনা হেক হেক হল্লকপা, মখোয় হল্লক্লগনা কুকিশিংনা অমুক থোং মখা তানা শাবগী থৌওং অসি মীয়াম্নু অপঙবা শীবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা শিদোক্তবদি লংসাই থৌনানা অকনবা থবক লৌখৎলগনি। লূপ অসিনা ককচীং লমখাইদা ককচীংগী মীয়ামগা লোয়ননা লমখৈ ঙাকপগী থবক অমা হৌখিবা চহী অমগী মমাঙদগী চত্থরল্লিবা অসিসু মখা তানা চত্থখিগনি হায়খি।

## রিমসকী ডাক্তর ফূরম্বগী ...

*লমায় ১গী মখা...* অসিগী ও পি দি মমাঙদা দিপার্টমেন্ট পুন্নমক্কী ডাক্তরশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা ডাক্তরশিংনা ডাক্তর ফূবা ক্রাইমনি, কনবীবশিংবু কল্লু হায়না থাবা প্লেকার্দশিং পায়খি। ডাক্তরশিংনা মশাগী মথৌ থাদোক্তুনা ৱাকৎ খোঙজং অসিদা শরুক য়াখি।

খোঙজং অসিগা মরী লৈননা ইন্সটিট্যুট অসিগী হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. সঞ্জিবনা পাউমীশিংদা হায়, ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পেসেন্ট নুপী অসিনা নাই হায়না লাউরকপদা মহাক্কী মপুরোইবনা পেসেন্ট অসিবু য়েংলিবা ডাক্তরদা খূৎ থারম্বনি। মসিগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা ডাক্তর লোইনমক থবক লেপ্লগা শরুক য়াবদি নত্তে হায়রদুনা হৌজিক মথৌ পাঙথোক্লিবা ডাক্তরশিং অসি থাগৎপীফম থোকই। চাবা-থকপা কাউবমখৈ অঙন্বা থাক্তা পেসেন্ট পার্টিগী পেন্নবা হোৎনবনি অদুবু পেসেন্ট পার্টিগী মায়কৈদগী তৌহন্নীংবদু য়ৌদবসু য়াই অদুবু মদু য়ৌদে হায়দুনা ডাক্তরদা ওনশিন্দুনা ফূবা অমসুং হোস্পিটালগী পোৎ চৈশিং অমাঙ অতা থোকহনবসিদি ক্রাইমনি। পেন্দবা লৈরবসু খূৎ থাবগী মহুত্তা কমপ্লেন্ট ওইনা তৌবীয়ু হায়খি।

প্রোটেষ্ট অসিদা শরুক য়াখিবা মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী ডা. সুনিলকুমারনসু ঙরাংগী পেসেন্ট অদু সেফটি ৱার্দতা এদমিট তৌরবা পেসেন্টনি। পেসেন্ট অসি হান্নসু ২/৩ লক এবোর্সন তৌখ্রবনি হায়রদুনা ঙরাং ব্রিদিং তৌরকপদগী য়েংবীয়ু হায়না মেল ডাক্তর অমনা এগজামিন তৌবদা নুপী অদুনা লাউরকপদগী মহাক্কী মপুরোইবনা খূৎ থারম্বনি হায়খি।

## মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ ...

*লমায় ১গী মখা...* প্রোব্লেমসু মায়োক্লরকখিবনি। মসিদগী দেল্লীদা লৈবা ইচাশিংনা চলাইবা হেল্থক্যের সেন্টর অসিদা লায়েংদুনা লৈরকখিবনি। মশাগী চহী ৭৩ মপূং ফাখ্রে। মহাক কুমজা ১৯৬৫দা লিংখৎখিবা এমসুগী অহানবা কম্মিটিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইখি। শীংজমৈ গর্লস হায় স্কুলদা লাইরিক তল্লিঙৈদা স্কুল অদুগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরিসু ওইরমখি। মণিপুরগী ওইনা মহাক্লা অর্কাইবসতা চহী অমগী দিপ্লোমা পাস তৌবা অহানবা মীওই ওইখি। ষ্টেট কলা একাদেমিগীসু সেক্রেটরি ওইরম্বদা নত্তনা ভুপেন হজারিকানা শঙ্গিৎ নাটক একাদেমিগী চ্যেরমেন ওইরিঙৈদা মহাক্লা মেম্বর ওইখি। অদুগা লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর য়ং মাসো সৈজাগী মতমদা মীতৈ ময়েক লেপথোকপগী কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইবদা নত্তনা মীতৈগী অরিবা লাইরিক কয়া কোয়না চৎতুনা খোমজিনবগী থবকসু তৌরকখি। মহাক্কী হকচাং হয়েং দেল্লীদগী পুরক্লবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ফোন / CALL তৌবীরকউ
(Door step service on call)
অদোমগী য়ুম-য়ুমদা লাক্তুনা Refrigerator, Washing Machine, Room AC, Electric Fitting অমসুং LED TV শিং Repairing অমসুং Servicing তৌজরি। Mechanic পামজে।
KINDLY CONTACT :
IMOINU ELECTRONICS
Khuyathong Pukhri Achouba Mapan, # 9366887571
HL-P/462/3

HOME SERVICE পীজরি
SINTHA SERVICE না Home Service কী খূদোংচাবা পীদুনা Fridge, Washing Machine, AC Repair তৌজরি। অকুপ্পা মরোলগীদমক পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।
9233640134
8414866243
HL-P/464/3

**E.K. HIGHER SECONDARY SCHOOL**
**Sangakpham, Imphal**
**ADVERTISEMENT**

Applications on plain paper are invited from the intending candidates for the vacant posts of E.K. Higher Secondary School.

| Post | Qualification | Desirable |
|---|---|---|
| Lecturer, History (1) | M.A. | B.Ed. (Fluency in English) |
| Lady Warden, Girl Hostel (1) | M.A./M.Sc./ B.Sc. Nursing | Unmarried |

Date of interview on 6th July, 2024, at 11 a.m.

Sd/- Dr. Kh. Binodkumar Singh
Principal
HL-P/463/3

## জুলাই ৩, ২০২৪ : মণিপুরগী লান ঙসি চহী ১গা থা ২ মপূং ...

*লমায় ১গী মখা...* লানফমদা চুড়াচান্দপুরগী সাইকোটতা লৈদুনা গাড়ী দ্রাইভর ওইরকখি। অঙন্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শিনফম অসি মায় পাক্লা পায়দুনা ফংলকপা শেলনা ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়র মেনখৎনবগী মথক্তা মচাশিংবুসু মহৈ-মশীন তমহল্লকখি। অদুবু লাইবক থীবনা মে ৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান অদুগী মনুং চন্না কুকি লমহেনবশিংনা সাইকোটতা লৈবা মশাগী ময়ূম-মকৈ মৈ থাদোকখিবদগী হৌজিক লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরি।

তোংৱম অথোইনা রিলিফ কেম্প তান্না চেল্লক্তুনা চঙজফম লৌবগী লম্বীদা খ্বাইদগী পূক্লিং নুংশিখিবদি মহাক্লা ফূরুপ তিন্নদবা চীংমী (পাইতে) নিঙোল অমগা য়ূম্বানমিন্নরুবনা মহাক্কী লোয়নবীবু লান অসিনা মরম ওইরগা নাথৈরমগদ্রা নৎত্রগা শিরবসু পূন্না শিরগে হায়দুনা লেমহৌরিবা পূন্সিগী লম্বীদা চৎমিন্নরক্তদ্রা হায়বনা ওইখি।

অমরোমদা, মহাক্কী লোয়নবী চীংমী নিঙোল থাজমানবীনা পাউচে অসিদা হায়, ফূরুপ তিন্নদবা ইমুংদা য়ুম পাল্লুবনা খঙহৌদনা লান অসি হৌরকপদা অদুক্কী মতিক অৱা চৈথেং নংখি। লান অসিনা মরম ওইরদুনা ঐবু ইপামদা ইমা-ইপাগী মনাক্তবু লৈহৌগদ্রা নৎত্রগা মীতৈ ইপুরোইবা অমদি ইচাশিংগী তুং ইন্দুনা চৎকদ্রা হায়বগী ৱাখলদা চমম্নবা কয়া অমগা লোয়নখি। অদুবু শিরবসু ইপুরোইবা অমদি ইচাশিংগী মনাক্তা শিরুরগে খন্দুনা ইমা-ইপাদগী ইপুরোইবা অমদি ইচাশিংনা হেল্লি খন্দুনা ইপুরোইবগী তুং ইন্দুনা লাঞ্জেল্লকখিবনি হায়রি।

লান অসি হৌরকপদগী ঐহাক ইপুরোইবগী মতুং ইন্দুনা চেল্লকখিবনি অদুবু ৱাখলদদি অদুক্কী মতিক নীংজিং মাংজিংনবা ফাওখি। ঐহাকপু মীতৈ ফূরুপ্পা পাইতেনি হায়দুনা অৱাফমদা তাহনবীগদ্রা হায়দুনা খল্লুবদা অকি-তুজুংবা কয়া পোকখি। অদুবু ইপুরোইবা অমদি ইচা অহুমগী খল্লুবদা ইশাগী য়ুম কৈ মৈ থাখিবা অদু ফাওবা কা হেন্না নাচুংখিদে। অদুবু লাঞ্জেল্লকপদগী ঙসি ফাওবা চহী অমা হেল্লক্লবসিদা রিলিফ কেম্পতা লৈমিন্নরক্লিবা মীতৈগী ইনমেটশিং অমদি ভোলন্টিয়রশিংনা ঐহাকপু অতোপ্পা ফূরুপনি হায়বগী ৱাখল নোংমতসু খলহন্দনা য়াম্না নুংশিনা তৌবীদুনা লাকপসি উবদা থম্মোয় অমদি পূক্লিংদা নুংশিবা ফাওই। মখোয়বু হায়নীং লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ঐহাক্লা চিংনরম্বা কয়া অদু কোকহনবীখি। মসিদা নত্তনা ঐহাক্কী ৱুম অমদি এপেন্দিক্সতা কন্না নারকপদগী ডাক্তরনা অথুবা মতমদা ওপরেসন তৌদবা য়াররোই হায়রক্তুনা হৌখিবা এপ্রিল থাদা ওপরেসন তৌখি। অদুদসু রিলিফ কেম্পকী ভোলন্টিয়রশিং অমদি রিলিফ কেম্প লৈরিবা মফম অসিগী মিনিষ্টরনা শেলগী মতেং পাংবীরকখি। ঐহাক্কী ওপরেসনদা চঙবা শেল অমদি চান-থক্লবা হীদাক-লাংথক অমত্তা ৱাত্তনা মতেং তৌবীখিবশিংবু থাগৎচরি। ঐহাকপু য়েংবীখিবা ডা. মোহিন্দ্রোনসু ঐহাক্কীদমক্তা য়াম্না কন্না হোৎনবিখিবা পুন্নমক অসি উরুরগা লাঞ্জেল্লকপা মতমদা ঐহাক্লা খল্লম্বা ৱাখল কয়া অমসুং হিংগদ্রা, শিগদ্রা হায়বগী চমম্নবা লৈরম্বদু কোকহনবীদুনা ইশাগী অনাবা লায়েংবদা অঙন্বা মতেং পাংবীরকখিবগীদমক্তা থম্মোয় শেংনা হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি। (মথং-মথং)

ADMISSION OPEN
ADMISSION OPEN
‘MANIPURI’ OPTIONAL
For UPSC Exam 2025
■ CLASS STARTS: 10-07-2024 ■ TIME: 7:00 AM - 9.00AM
GENERAL STUDIES (PRELIMS)
For MPSC/UPSC CIVIL SERVICES EXAM 2025
■ CLASS STARTS: 14-06-2024 ■ TIME: 3:00 PM - 5.30PM
GENERAL FOUNDATION COURSE (GFC)
For the forthcoming RRB,CGL,IBPS,SBI RBI,CHSL Examination
■ CLASS STARTS Date: 10-07-2024 Time: 3.00PM - 5.30PM
Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future
F.B. Proactive Academy of Competitive Examinations
KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL ✆: 9206319209
HL-B/8849/27/6-11/7(alt)